# হানোইদা সম্মিট পাঙথোক্লগনি, নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শানবদা কান্নবা ফঙখি: ত্রম্প



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী)ঃ
য়ু এসকী দিপ্লোমেটশিং অমসুং নোর্থ কোরিয়ন ওফিসলশিংগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীফম পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইখি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে অমসুংথা অসিগী অথেংবা শরুক্তা মহাক্না নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোঙ উনগা ৱারী শানগদৌরিবদু ভিয়েটনামগী কেপিতেল হানোইদা পাঙথোক্লগনি হায়খ্রে।

কান্নবা পুরকখিবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কিম জোঙ উনগা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা সম্মিটকী মতম অমসুং তারিখকী মতাংদা য়ানরবা মতুংদা ঐহাক্কী মীহুৎশিং নোর্থ কোরিয়া থাদোকখ্রে। সম্মিট অদু ফেব্রুৱারি ২৭ অমসুং ২৮ দা ভিয়েটনামগী কেপিটেল হানোইদা পাঙথোক্লগনি হায়না ত্রম্পনা ত্বিটরদা ইখি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ত্রম্পনা কিমগা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মিট অদুগী তারিখশিং লাওথোকখি অমসুং মদু ভিয়েটনামদা পাঙথোক্কনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না ভিয়েটনামগী করম্বা সিটিদা পাঙথোক্কদগে হায়বদুদি পনখিদে। নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনবা য়ু এসকী অখন্নবা মীহুৎ ষ্টেফেন বৈগননা সম্মিট অদুগী শেম শানবগীদমক্তা প্যোঙয়াঙদা নুমিৎ হুম্নি ৱারী শানখি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখি। বৈগননা মহাক্কী লেংমান্নবা কিম হয়োক চোলগা সম্মিট অদুগী মাঙওইননা অমুক উনবগী ৱাফম য়ানখি।

প্যোঙয়াঙদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী ইরাই নুমিৎ ফাওবা ৱারী শানখিবদুদা বৈগননা কিম হয়োক চোলনা প্রসিদেন্ট ত্রম্প অমসুং চ্যেরমেন কিমনা সিঙ্গাপোরগী সম্মিটতা মপুং ফাবা দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী কম্মিটমেন্টশিং য়াঙশিনহনবা, য়ু এস-দি পি আর কেগী মরীদা অহোঙবা পুরকপা অমসুং কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লৈহন্নবগী খোঙথাংশিং থুজিনহন্নবগী মতাংদা খন্নখি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি। নোর্থ কোরিয়াবু ওফিসল মীং দেমোক্রেটিক পীপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়া শীজিন্নদুনা পনখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা ৱারী শানবদা প্রোগ্রেস লৈ হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

হৌখিবা জুনদা সিঙ্গাপোরদা অহানবা ওইনা লুচিংবা অনীনা উনখিবা মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মখোয় অনীগী অনীশুবা সম্মিটকী মতম নকশিল্লকপসিদা য়ু এসকী দিমান্দশিংগী মতাংদা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়ানদবা ৱাফমশিং হৌজিকসু পীকশিনহনবা ঙমদ্রি। য়ু এসকী দিমান্দদি লৈবাক অসিবু কিহল্লিবা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রাম থাদোকউ হায়বসিনি। অমরোমদা প্যোঙয়াংনা খোঙথাং অদুগা মরী লৈননা য়ু এসকী মায়কৈদগীসু অথিংবশিং লৌথোকপা য়াওনা মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্লবগী ৱাফম থল্লি।

বৈগননা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না প্যোঙয়াংদা ৱারী শানবদুগী পান্দমদি সিঙ্গাপোরদা য়ানখিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা প্রোগ্রেস লৈহনবা অমসুং অনীশুবা সম্মিটতা মশক থোকপা পোৎশক খরা লাকহন্নবা হোৎনবনি।

# ভেনিজ্যুএলাগী ৱাথোক ঈংনা চীক্না ৱারী শানরগা লৈখাই তানবা চাইনানা অপিল তৌখ্রে

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী)ঃ
ভেনিজ্যুএলানা মশাগী ইস্যুশিং ঈংনা চীক্না ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি অমসুং মাইকৈ অসোমদা ইন্টরনেস্নেল কম্ম্যুনিটিনা হোৎনরিবশিং চাইনানা শৌগৎলি হায়না চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

বৃটেন, জর্মনি, ফ্রান্স অমসুং স্পেন য়াওনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাক ২০ রোমনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মতুং ইন্দুনা ওপোজিসন লিদর জুৱান গ্বাইদোবু ভেনিজ্যুএলাগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙখি অমসুং সোসিএলিষ্ট প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোদা মীখল নৌনা পাঙথোক্লবা প্রেসর পীখি।

ৱাশিংটনগী অকনবা ফিরেপকী মায়োক্তা খন্নবগী ৱাফম অমা হৌদোক্লদুনা ভেনিজ্যুএলাগী মতাংদা ময়াই ওইরপকী মীৎয়েং অমগা লোয়নননা লাকখিবা ঈ য়ু অমসুং লেতিন অমেরিকান গভর্নমেন্ট গ্রুপ অমনা মরী লৈনবশিংগী মরক্তা ৱারী শাননবা অমসুং মীখল নৌনা পাঙথোক্লবা আপিল তৌখি।

ঈ য়ুনা শৌগৎপা ইন্টরনেস্নেল কন্টেক্ট গ্রুপ ওন ভেনিজ্যুএলানা চয়োল অসিদা উরুগ্বেগী কেপিতেল মোন্টেভিদিওদা পাঙথোকখিবা অহৌবগী মীফমদা হায়খি, কা হেন্না ফোর্স শীজিন্নদুনা খুৎ থিংজিল্লবদি লৈবাক অদুগী ৱাথোক্তু হেন্না লুশিনখিবা য়াই।

মীফম অদুদা রিয়েক্ট তৌরদুনা চাইনাগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিৎতা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, ভেনিজ্যুএলাগী ৱাথোক্কী মতাংদা ঈংনা-চীক্না ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা হোৎনরিবশিং চাইনানা শৌগৎলি অমসুং পার্টি খুদিংমক্না পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়না থাজে।

ভেনিজ্যুএলাগী ৱাথোক অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কন্সটিট্যুএন্সিগী চৎন-পথাপকী অমসুং লোগী মতুং ইন্না ঈংনা চীক্না ৱারী শানদুনা অমসুং পোলিটিকল চেন্নেলশিংগী খুৎথাংদা লৈখাই তাগদবনি হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহী ১০ হেনবরোম অসিদা চাইনানা মসিগী খোঙজেল য়াংলবা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংগী ইনর্জি সপ্লাইজ ৱাৎহন্দনবা হায়দুনা ওইল-ফোর-লোন এগ্রিমেন্টকী খুৎথাংদা ভেনিজ্যুএলাদা দোলর বিলিয়ন ৫০ হেন্না শান্দাকখি। তৌইগুম্বসুং থাওগী মমল খঙহন হন্থখিবনা মরম ওইদুনা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অদুগী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংসু হন্থরকখিবগা লোয়নননা শেলগী অৱাবা লাকখি।

মশানা লৈবাক অদুগী ইন্টরিম প্রসিদেন্টনি হায়না লাওথোকচখিবা গ্বাইদোনা হায়খি, লৈবাক অদুগী গবর্নমেন্ট হোঙবনা মরুওইবা ফোরন পৱার অনি হায়বদি রশিয়া অমসুং চাইনাদসু কান্নহনগনি। মদুরোগী গভর্নমেন্টগা মরী ফনবা লৈবাক অনিমক্তসু ৱাফম অসি খঙহনখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



# বজেটকা মরী লৈননা ৱারী শানসি হায়বদা কাতালান সেপ্পরেটিষ্টশিংনা য়াখিদ্রে

মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী)ঃ
কাতালোনিয়াগী নিংতম্বা পাম্বা লিদরশিংবু মাদ্রিদ অমসুং ইনাকখুনবা লমদম অদুগী মরক্তা লৈরিবা তোখাই তানিংবগী ঈরাংগা মরী লৈনবা ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা ৱারী শাননবা হোৎনবা খুদিংমক হৌজিক ফাওবা য়াদনা লৈ হায়না স্পেন্না মরাল শিখ্রে।

কুমজা ২০১৯ গী বজেট বিলগী মতাংদা মথং চয়োলদা ভোট লৌনগদৌরিবদুগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সাঞ্চেজকী মাইনোরিতি গভর্নমেন্টগী নুংঙাইতবা মতম অমদা ৱাথোক অদুগী মতাংদা লৈখাই তাদবগী ফিভমদু লাক্লিবনি। বজেট বিল অদু কাতালান পার্টিশিংনা শৌগৎত্রবদি ফেল ওইবা য়াবগী ফিভম লৈ। মসিদা নত্তনা জেলদা থল্লিবা ইন্দিপেন্দেন্স লিদর ১২ গী ৱায়েলসু লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবনি।

দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর জার্মেন কালভোনা ফোঙদোকখিবদা, গভর্নমেন্টনা হৌদোক্লিবা ৱারী শানবগী ফ্রেমৱার্ক প্রো-ইন্দিপেন্দেন্স গ্রুপশিংনা য়াদবগী মরমদি মখোয়না ৱারিগীএজেন্দাদা ইন্দিপেন্দেন্সকী রেফরেন্দম লৌবগী ৱাফম য়াওহনবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং মাদ্রিদনদি অদুগুম্বা ৱাফম খন্নবা পামদে।

চহী কয়ামুক মখোয়না (প্রো-ইন্দিপেন্দেন্স কাঙবুশিংনা) ৱারী শানবগী ৱাফম হৌদোক্তুনা লাকখি। মখোয়না হায়বদু ঐখোয়না য়ারে। মদুনা মতিক চাদে খনবা ওইরবদি ঐখোয়না খুদিংমক লেপ্পা তাই হায়না চয়োলগী ওইবা কেবিনেট মীফম অমা লোইরবা মতুংদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা মহাক্না হায়খি।

করিগুম্বা কুমজা ২০১৯ গী বজেট প্রপোজল এপ্রুভ তৌবা ঙমদ্রবদি পার্লিয়ামেন্টরি মীখল ঙনখৎতুনা চহী অসিদা পাঙথোকপা য়াই। মসিমক গভর্নমেন্টনা তোখাইনা তাবা পাম্বা কাতালান লুচিংবশিংগা ৱারী শানবা হৌনবা থৌরাংলিবদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবা ওপোজিসনগী দিমান্দ অমনি।

গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী হৌদোক্লিবা ফ্রেমৱার্ক অদুদা সেন্ট্রেল অমসুং রিজনেল এদমিনিষ্ট্রেসনশিংগী মরক্তা বাইলেটরেল মীফমশিং পাঙথোকপগী ৱাফম য়াওরি। কঞ্জর্বেটিভ ওপোজিসন্না সাঞ্চেজগী সোসিএলিষ্ট গভর্নমেন্টপু তোখাই তানিংবশিংদা খুদোংচাবা পী অমসুং লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনগদবা দিল অমা য়াননবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখি।

কাতালেনিয়াদা ওতোনোমি হেন্না পীবগী ৱাফম য়ারবসু প্রাইম মিনিষ্টর সাঞ্চেজনা লমদম অদুনা নিংতম্বগী মতাংদা রেফরেন্দম পাঙথোকপগী ৱাফম মাদ্রিদনা কৈদৌনুংদসু য়ারোই হায়না অমুক হন্না ফোঙদোকখ্রে।



# ‘এয়রক্রাফট কাপথখিবগী মতাংদা ৱারী শাননবা শেম শাদুনা লৈ’

মোস্কো, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী)ঃ মালেসিয়ন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট ১৭ কাপথখিবগী মতাংদা রশিয়ানা ৱারী শাননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না রশিয়ন দেপ্যুটি ফোরন মিনিষ্টর অলেকজেন্দর গ্রুশকোনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয় ৱারী শান্নবা লেপখিবা লৈতে। পোলিটিকল লেভেলদসু ঐখোয়না ৱারী শানখি। ঐখোয়না ইস্যুশিং অদুদা ৱারী শানখি। হৌজিকসু মখা তানা ৱারী শাননবা শেম শারে হায়না গ্রুশকোগী ৱারোল পল্লদুনা ইন্টরফেক্স ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪ দা মালেসিয়ন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট কাপথখিবদু কনাগী খুৎ ওইগদগে হায়বগী মতাংদা লনাই মওংগী ৱারী শাননবা রশিয়ন ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী থুনা উনবা য়ারক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না দটচ ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবা নুমিৎকী মতুং নোংমখক লৈরগা গ্রুশকোনা কম্মেন্টশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

ফ্লাইট এম ঐচ ১৭ হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী জুলাইদা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা রশিয়ানা শৌগৎপা সেপরেটিষ্ট কাঙবুনা পায়শিল্লিবা টেরিটরিগী মথক্তা কাপথখিবনি। থৌদোক অদুদা প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই ২৯৮ মক শিখি। মখোয়গী অহুম থোকপগী অনীদি দটচ মচাশিং ওইখি। দটচ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্নমেন্টশিংনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী মেদা ফোঙদোকখি মদুদি, প্লেন অদু কাইখিবগী থৌদাং রশিয়ানা লৌফম থোকই হায়না মখোয়না লৌগনি। অমরোমদা থৌদোক অদুদা চেন্নবগী ৱাফম রশিয়ানা য়াদ্রি। দটচ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্নমেন্টশিংনা ক্রাস অদুগা মরী লৈননা রশিয়াদা খুদোনবী থিনখিবনি।

# য়ু এসকী রিপব্লিকান সিনেটরশিংনা টাইৱানগী প্রসিদেন্টপু কোংগ্রেসতা ৱা ঙাঙহন্নিংলি

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী)ঃ
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম লৈরিঙৈ চৈরক্তা য়ু এসকী রিপব্লিকান সিনেটর কাঙবু অমনা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী স্পিকর নেনসি পেলোসিদা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইঙ-ৱেনদা ইনভাইট তৌদুনা য়ু এস কোংগ্রেসকী অপুনবা মীটিংদা ৱা ঙাঙহন্নবা তকশিনখ্রে। থৌরাং অদু পাঙথোকপা তারবদি বৈজিংনা শোইদনা শাওগদৌরিবনি।

কেরি গার্দনর, মার্কো রুবিও, তোম কতন, জোন কার্নিন অমসুং তেদ ক্রুজ য়াওনা সিনেটরশিংদুনা ৱাশিংটন অমসুং বৈজিংনা ত্রেদ দিল অমা সাইন তৌননবা লেপখিবা মার্চ ১ গী মতমগী মাঙওইননা শগোলশেন নুমিৎতা পেলোসিদা মখোয়গী লেট্টর পীশিনখি। হন্দক থা খরসিদা চাইনা অমসুং ৱাশিংটনগী মরীদা উংখৎনবা লাকখি। য়ু এসকী লোমেকর কয়ানা চাইনিজ বিজনেস প্রেক্তিসশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা চাইনিজ গভর্নমেন্টপু লোন্না-থুপ্না ঈ-পাউ লৌনবা হোৎনৈ অমসুং মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চথে হায়না মরাল শিখি। দিল অমা য়ানবা পুরক্কবগীদমক্তা লৈবাক অনীনা মখোয়গী লল্লোন ঈতিক্কী লাল নুমিৎ ৯০ নি লেপ্পগী ৱাফম য়ানখি।

মখোয়গী মথংগী ৱারী রাউন্দ অদু মথংগী চয়োলদা চাইনাদা পাঙথোক্কদবনি। চৈরকসিদা টাইৱানগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরন এফেয়র্সকী স্পোক্সমেন অমনা টাইপৈ টাইমসতা হায়খ্রে মদুদি, প্রসিদেন্টনা ৱাশিংটনদা চৎলগা য়ু এস কোংগ্রেসতা ৱা ঙাঙনবগী থৌরাং লৈতে। দেমোক্রেট অমা ওইরিবা পেলোসিগী তেঙবাংলোইশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে।



# প্রোটেষ্ট মনুংদা ইজরেলি ক্রুপশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা পালিষ্টিনিয়ন নহা অনী শিরে



গজা, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী)ঃ
গাজাগী বোর্দরদা ঙরাং পালিষ্টিনিয়নশিংনা প্রোটেষ্ট চথখিবদা ইজরেলি ক্রুপশিংনা চহী ১৪ গী নুপামচা অমা য়াওনা পলিষ্টিনিয়ন নহা অনী নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পলিষ্টিনিয়ন হেলথ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইজরেলি মিলিটরিনা হায়, বোর্দর ফেন্সতা বোম লংশিল্লকপা অমসুং নুঙনা থাজিল্লকপগী পাউখুম ওইনা ইজরেলগী মিলিটরিনা নোংমৈ কাপখিবনি।

ইস্লামিষ্ট লালহৌবা গ্রুপ হামাসনা কন্ট্রোল তৌবা এনক্লেভ গজাগী বোর্দরদা পলিষ্টিনিয়নশিংনা হৌখিবা মার্চ থাদগী চয়োলগী ওইবা প্রোটেষ্টশিং পাঙথোক্তুনা লাকখি। এনক্লেভ অদুগী হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়রি মদুদি, প্রোটেষ্টশিং অদুদা ইজরেলি ক্রুপশিংনা পলিষ্টিনিয়ন ২০০ হেন্না হাৎখ্রে অমসুং ইজরেলি লান্মী অমা শিখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা নহাশিংদুগী মনুংগী অমদি চহী ১৮ গী লেঙ্গানি অদুগা অতোপ্পদুনা চহী ১৪ রোমগীনি।

অমরোমদা, ইজরেলনা হায়রি মদুদি, মিলিটেন্টশিংনা নারোন্দগী চঙশিল্লক্লগা বেরিয়র থুগাইবা থিংনবা প্রোটেষ্টশিং অদুদা ফোর্স শীজিন্নবা নত্তবা অতৈ তৌনিঙাই লৈতে।

ইজরেলি মিলিটরি স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, ক্রুপশিংনা ইরাই নুমিৎতা পেলিষ্টিনিয়ন ৬,০০০ হেন্না মায়োক্লখি। মখোয়না নুঙ অমসুং বোম কয়ামুক লংশিল্লকখি। বোমশিং অদু ফেন্স অদুগী গজারোম থংবা মায়কৈদা পোকখায়খি।

ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর্সকী মতুং ইন্না, লান্মীশিংনা ঈরাং হৌবশিং তানখায়নবগী খুৎলায় শীজিন্নখি অমসুং নোংমৈ কাপখি হায়না স্পোক্সমেন অদুনা ফোঙদোকখি। গজাদা পলিষ্টিনিয়ন মিলিয়ন অনীরোম লৈ। মখোয় অয়াম্বা কুমজা ১৯৪৮ দা ইজরেল শেমখিবা মতমদা চেন্নখিবা নৎত্রগা তান্থোকখিবা মীওইশিংগী ষ্টেট লৈতবা মচা-মশুশিংনি।

# য়ু এসকী বোর্দর সিক্যুরিটিগী মতাংদা ৱারী শানবা খুমাং চাওশিল্লে : লোমেকরশিং

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী)ঃ
বোর্দর সিক্যুরিটি ফন্দিংগী মতাংদা দিল অমা পুরক্লবা নিগোসিএসন চথরিবা য়ু এসকী লোমেকরশিংনা মখোয়না হোৎনরিবদু প্রোগ্রেস লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱারী শানবদু য়াম্না থুনা ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না দেমোক্রেটিক সিনেটর জোন টেষ্টরনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা টেষ্টরনা হায়খি, মতম চানা দিল অমা য়ানবা পুরকপা ঙমগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। মদু হয়েং ওইবা য়াই তৌইগুম্বসুং চয়োল অসিগী মনুংদদি শোইররোই।

শগোলশেন নুমিৎতা হ্বাইট হাউসতা ত্রম্পকা উনখিবা সিনেট এপ্রোপ্রিয়েসন্স কম্মিটিগী চ্যেয়রমেন রিচার্দ সেলবিনা পাউমীশিংদা হায়খি, সিনেট অমসুং হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী নিগোসিএটর ১৭ প্রসিদেন্টকা ৱারী শানবদা থাজবা ৱাঙনা লৈ। মশামক রিপব্লিকান অমা ওইরিবা সেলভিনা য়ানগদৌরিবা দিল অদুগী অকুপ্পশিং পন্দ্রবসু হৌজিক খুমাঙ চাওশিল্লে, ত্রম্পনা য়ানিংগদবা ৱাফমসু মখোয়না হেন্না খঙবা ঙল্লে হায়না ফোঙদোকখি। হ্বাইট হাউসকী ওভেল ওফিসতা পাউমীশিংগা উনখিবা ত্রম্পনা শন্দাইনবা য়াবগী মমী লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এস-মেক্সিকো বোর্দর পরিংদা ৱাল অমা চন্নবা ত্রম্পনা চহী অসিদা দোলর বিলিয়ন ৫.৭ কী শেনফম অমা দিমান্দ তৌবগী মতাংদা য়ানদবা লৈরিবদু লোয়শিন্নবা প্রসিদেন্টকী মায়কৈদগী ফেব্রুৱারি ১৫ গী দেদলাইন পীবদা লোমেকরশিংনা য়ানিংদ্রিবনি। ত্রম্পনা হায়রি মদুদি, লোনা য়াদবা দ্রগশিং পুশিল্লকপা অমসুং তঙাইফদবা চে-চাংশিং য়াওদবা ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপা থিংবদা বোর্দরদা ৱাল থম্বগী তঙায়ফদবা লৈ।

দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটি য়াওনা ফেদরেল এজেন্সী কয়াগী ফন্দিংগী মতম ফেব্রুৱারি ১৫ দা লোয়গদবনি। মতমদু ফাওবগী মনুংদা বোর্দর সিক্যুরিটি দিল অমা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রবদি এজেন্সীশিং অসি হান্নগুম্না পার্সিএল সটদাউনগী ফিভমদা লৈগনি। মমাংদা দিপার্টমেন্টশিং অসি হৌখিবা দিসেম্বর ২২ দগী হৌরগা নুমিৎ ৩৫ নি সটদাউন লৈখিবনি।

দিপার্টমেন্টশিং থবক লেপ্পগী ফিভম অদু ত্রম্প অমসুং কোংগ্রেসনা বোর্দর সিক্যুরিটিগী মতাংদা ৱারী শাননবগী অহেনবা মতম পীনবা মতম খরগী ওইনা ফন্দিং তৌবা য়ানবদগী লেপখি।



# ক্রাউন প্রিন্সনা কাসোজি হাৎনবা ওর্দর তৌখিদে - সাউদি ওফিসল অল-জুবিয়র



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী)ঃ
জর্নেলিষ্ট জমল কাসোজি হৌখিবা চহী ২০১৮ দা হাৎখিবদু ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিল সালমাননা ওর্দর তৌখিবা নত্তে হায়বা গভর্নমেন্টকী ফিরেপ তোপ সাউদি ওফিসল অমনা ইরাই নুমিৎতা অমুক হন্না পনখ্রে।

তোপ সাউদি ওফিসল অদুনা খাসোজি হাৎত্রিঙৈ চহী অমগী মমাংদা ক্রাউন প্রিন্স অদুনা তেংবাঙলোই অমদা করিগুম্বা জর্নেলিষ্ট অদু ময়ুমদা হল্লক্তবা তারবদি অমসুং গভর্নমেন্ট ক্রিতিসাইজ তৌবা লেপ্তবা তারবদি মহাক্না মঙোনদা (কাসোজিদা) নোংমৈ মরূ অমা শীজিন্নগনি হায়না ফোঙদোকখি হায়বা ন্যু য়োর্ক টাইমসকী রিপোর্ট অমগী মতাংদদি কম্মেন্ট পীখিদে।

ৱাফম অদু হৌখিবা ওক্তোবরদা কাসোজিবু ইস্তানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেট অমদা হাৎত্রিঙৈগী মমাং কুমজা ২০১৭ তা ক্রাউন প্রিন্সনা ফোঙদোকখিবনি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমনা ইন্টলিজেন্স রিপোর্টশিংগী মরমদা খঙবা হৌজিক্কী অমদি হান্নগী য়ু এস ইন্টলিজেন্স অমসুং ফোরন ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

রিপোর্ট অদুগী মতাংদা হংবদা সাউদি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ফোরন এফেয়র্স অদেল অল-জুবিয়রনা পাউমীশিংদা হায়খি, মশক মমীং খঙদবা নৎত্রগা তাকথোক্তবা ছোর্সশিংদা য়ুম্ফম ওইবা রিপোর্টশিংদা ঐহাক্না কম্মেন্ট পীবা ঙমদে। মমাঙদা ইন্টলিজেন্স ছোর্সশিংদা য়ুম্ফম ওইবনি হায়বা রিপোর্ট কয়া অচুম্বা ওইখিদে।

ক্রাউন প্রিন্সনা ৱাহৈশিং অদু শীজিন্নখিবগী ৱাফম অসি য়ানিংদবরা হায়না হংবদা অল-জুবিয়রনা হায়খি, মসি ৱাফম অদুবু য়াবা নৎত্রগা য়াদবগী নৎতে। ক্রাউন্স প্রিন্সনা মসিবু ওর্দর তৌখিদে হায়বা ঐখোয়না খঙই। মসি রোগ ওপরেসন অমনি হায়বসু ঐখোয়না খঙই।

তোঙানবা খোঙথাং অমদা শগোলশেন নুমিৎতা খাসোজিগী মীহাৎকা মরী লৈনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ইনক্বারি অমনা শাথিরবা ক্রাইম অদু সাউদি ওফিসলশিংনা থৌরাং তৌরগা পাঙথোকখিবনি হায়বসি উরিবা ইভিদেন্সনা উৎলি হায়খি।

খাসোজিবু হৌখিবা ওক্তোবর ২ দা ইস্তানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা সাউদি ওপরেটিভ টিম অমনা হাৎখিবগী থৌদোক্না মালেম পুম্ববু হঙ্গোইহনখিবনি অমসুং ক্রাউন প্রিন্সকী ইমেজদা শোকহনখিবনি।